**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বঙ্গলাদেশতা মহৈ তম্লিবা মণিপুরগী মহৈরোইশিং অশোই অঙাম য়াওদনা লৈবাক অসিদা পুরকবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করদা তকশিনখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৩) ৱার্ল্ড হেরিটেজ কমিতিগী ৪৬ শুবা মীফম ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নিউ দিল্লিদা হৌদোক্লগনি।

------

বিরেন (এল)ঃ বঙ্গলাদেশতা মহৈ তম্লিবা মণিপুরগী মহৈরোইশিং অশোই অঙাম য়াওদনা লৈবাক অসিদা প্রকবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করদা তকশিনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি মপান থৌরম মন্ত্রি জয়শঙ্করনা মপুংফানা য়েংশিল্লি। ডাঃ জয়শঙ্করনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবুসু শ্রী বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মরক অসিদা বঙ্গলাদেশতা হৌজিক থবক চংবদা রিজার্ভেসন তৌবগী মতাংদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা ভারতকী মহৈরোই লিশিং ১ রোম

সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা য়ৌরকখ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ভারতমচা ৭৭৮ গী কংফালগী লম্বীদা পুথোরকখি অমদি মীওই ২০০ না ফ্লাইটতা পুরকখি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ধাকাদা লৈবা ভারতকী হাই কম্মিসন অমসুং চিত্তাংগোং রাজসাহি, সিল্লেট অমসুং খুলনাদা লৈবা এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসন্না মফম অদুদা ভারতমচাশিং লৈবাক অসিদা পুরকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

অমরোমদা, বঙ্গলাদেশতা থবক চংবদা রিজার্ভেসন তৌবগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবগা মরী লৈননা থোরকপা হিংশাগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০৪ শিরে, লিশিং ২,৫০০ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চাংসাং ভিলেজদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, লোকেল মেদ পাইপ গন অমা, পোম্পী অমা, লোকেল মেদ হেন্দগ্রেনেদ মরি, নোংমৈ মরু খরা অমদি রেদিও সেট অমা য়াওরি।  চুরাচান্দপুর জিলাগী মোংজাং ভিলেজদগীসু হেভি ইমপ্রোভাইস মোর্তার অনি ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফাষ্ট ইষ্ট জিলাগী শৈজাং অমসুং বোংজাং হিল রেঞ্জদগী আই.ই.দি ৭ অমসুং দিটোনেতর অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা) গ্রুপকী মীওই অমা ককচিং জিলাগী তেজপুর মখা লৈকাইদগী ফারে। মহাক অসি থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অনি, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২২ অমদি এ.টি.এম কার্দ মরি ফংলে।

নেসনেল হাইৱে-থাতি সভেন অমদি নেসনেল হাইৱে-টুদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২২৭ অমসুং ২৬৪ সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা

ইম্ফাল্লোমদা থোরকখ্রে। ইরাং লৈনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং মতিক চানা লৌখৎলি।

লান্মী (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সাইচাং ইথমদা আই.ই.দি লৈরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী ভারত লান্মী অমদি মণিপুর পুলিসকী কাংবুনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা আই.ই.দি ৮ লৈরম্বা থেংনখি। বোমশিং অদু বোম দিসপোজল টিমনা অশোই অঙাম য়াওদনা লৌখৎখ্রে।

সনাতোম্বী (এল)ঃ   আর্ট ইজ্কেসন অমসুং চাইল্ড রাইটস হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ হুমিগী ওইবা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স অমা ঙসিদগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা আর.কে. সনাতোম্বী দেবী কলেজ ওফ ইজ্কেসনদা হৌদোক্লগনি। মীফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচর, আর.কে. সনাতোম্বী দেবী কলেজ ওফ ইজ্কেসন অমসুং সুরিন্দ্র রাজাভাট য়ুনিভর্সিতি থাইলেন্দগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

ফেসোক (এল)ঃ    কংলৈ পানাজ অমসুং ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না শিন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকা শোকহল্লবা খুন্নাই অসিদা নহা ওইরিবশিংগী থৌদাং হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি। কোংপাল চিংঙাংবম লৈকাইদা লৈবা আই.এস.এ ক্লব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ    দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিতি সেনাপতি অমদি কৈথেলমানবী য়ুথ এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা কৈথেলমানবীদা লৈবা ব্রাইতর ইংলিস স্কুলদা ঙরাং লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং অমদি ষ্টাফ ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

হেরিটেজ ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ কমিতিগী ৪৬ শুবা মীফম ঙসি হৌদোক্লগনি।

নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দপমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসি ভারতনা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসি থা অসিগী ৩১ দা লোয়শিনগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনেস্কোগী দাইরেক্তর জেনরেল-মেদাম ওদ্রে অজোলে শরুক য়াগনি। য়ুনেস্কো ৱার্ল্ড হেরিটেজ সেক্রেটরিয়েটকী মীহুৎশিং অমদি লৈবাক ১৫০ গী দেলিগেট লিশিং ২ হেনবনা থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

ভারত মান্দপমদা ভারতকী নাৎকী ওইবা একজিবিসনশিংসু পাঙথোক্কনি।

মীফম ঃ কেন্দ্রগী বদজেট মীফমগী মাংওইননা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা সংসদকী সভা অনিমক্তা অয়েৎ অপন য়াওদনা নিংথিনা চত্থনবা রাজনিতি দল পুমমক্তা মতেং পাংনবা আপীল তৌগনি। কেন্দ্রগী বজেট মীফম হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ১২ ফাওবা চত্থগদবনি। মীফম অসি নরেন্দ্র মোদি সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা বজেট মীফমনি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- পি.এম. সভানিধি স্কিম হেক হৌদোকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৮,৬০০ কী লোনশিং পীখ্রে। নিউ দিল্লিদা ঙরাং ফসাইনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ফুড সেফতি ফোর ষ্ট্রিট ফুড ভেন্দরশিংগী মতাংদা পোর্তেল অমদি গাইদলাইন ফোংবগী থৌরম অমদা ৱাফম অসি শ্রী নদ্দানা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ষ্ট্রিট ফুড ভেন্দরশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা ফসাইনা লৌরম্বা রেজিষ্ট্রেসন ফি অদু কোকপীনবা খঙহনখ্রে।

নিট ঃ নিট য়.জি পরিক্ষাগী ক্বেসন লিক ওইবগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন্না নৌনা মীওই অহুম ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনিনা রাজস্থানদা লৈবা ভারতপুর মেদিকেল কলেজগী মেদিকেল তম্লিবা

মহৈরোইশিংনি। পাউ অসিনা হায়- মখোয় অনি অসি মে ৫ দা ঝারখন্দগী ওইনা হজারিবাগদা পাঙথোকখিবা নিট য়ু.জি পরিক্ষাগী ক্বেসন লিক ওইহনবদা চেন্নবা মীশকি।

মুম্বাই ঃ   খা থংবা মুম্বাইগী গ্রান্দ রোডতা লৈবা বিল্ডিং অমা নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই শিরে, ১৩ না শোক্লে। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবনি। বিল্ডিং অসিগী মরিসুবা ফ্লোরদা মীওই ৯ লোম থোরকপা য়াদনা লৈরম্বা অদু ফয়ার বৃগেদ, পুলিস অমদি অতৈ মীওইশিংনা মখোয়বু কনবা ঙমখি।

ক্রিকেটঃ শ্রীলঙ্কাগী দম্বুলাদা চত্থরিবা নুপীগী এসিয়া কপ টি-টৌইন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা থাইলেন্দনা মালেসিয়াবু রন ২২ দা মায়থিবা পীখ্রে। তা মমাংগী চেম্পিয়ন ভারতনা পাকিস্তানবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা শ্রীলঙ্কানা বঙ্গলাদেসপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি। ঙসি ভারত অমসুং য়ু.এ.ই, পাকিস্তানগা নেপালগা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউ অহানবা হেদলাইন অসি সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপনা হেমজিৎ অমসুং লিন্থোইঙম্বী লংলা লংজিল পীরকখিদ্রে হায়না মেন হেদলাইন পীরি, হেদলাইন অসিগা মখাদা অঙাংবা মচুনা হাইলাইট তৌদুনা সব-হেদলাইন অমসু ফোংলি- মদুদি জ়লাই ২০, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা সেক্যুরিতি এদভাইজরনা অঙাং অনিগী লংলা লংজিল পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবদগী ঙাইরক্লবসু পীরকখিদ্রে, টেলিফোন তৌরুবদসু পায়রকখিদ্রে, ঙসি অরোইবা ওইনা উন্নগদৌরি হায়বা ৱাফম অসিনি।

সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি ইম্ফাল সেন্তর ককখিবনা কেন্দিদেটশিংদা অচৌবা পোৎলুম ওইহল্লে, নিট পি.জিগী ইম্ফাল সেন্তর জে.পি. নদ্দানা খঙহনখ্রে হায়না মন্ত্রি ডাঃ এস. রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম

হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পোকফমদনা য়ুনিয়ন হেলথ মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা নিট পি.জিগী সেন্তর পীরগনি হায়বগী থাজবা থম্লক্লে হায়না মিনিষ্টর এস. রঞ্জননা ফোংদোরকপা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীরি।

বঙ্গলাদেশদা এম.বি.বি.এস তম্লিবা মণিপুরগী মহৈরোইশিং অশোই অঙাম য়াওদনা প্‌থোরকবা সি.এমনা এক্সতরনেল এফ্যারস মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইনি।

ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী শেম্বীদবগী মায়োক্তা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা প্লান তৌরম্বা আই.ই.দি বোম ৮ অশোই অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে, চাউনা অমাং অতা থোক্কদবদগী কলহৌরে, সেক্যুরিতি ছার্স ওপরেসনদা লানদা শিজিন্নগদবা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ভারত মচা মহৈরোই ৭৭৮ লৈবাক অসিদা হল্লকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সতরনেল এফ্যারসনা খঙহল্লকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইনদনা রাজ্য অসিগী মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোই ৪৩ বঙ্গলাদেশতগী হল্লকখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল, মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না এসেমব্লি সেসনদা সেদ্যুল ত্রাইবকী মতাংদা খন্নবীয়ু হায়বা হেদলাইন অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট য়েংশিনখ্রে, কাংলোন কায়না দাঘ পায়বশিং চৎনররোই হায়না দি.এফ.ওনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবাহেদলাইন তৌরি।

------